# য়াওশঙগী ঈনিল ঈৱাইখোল-হাকুমদি তাখিদে, কুমসিনা কমদৌবা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***হরিবোলা শেল পীয়ু।*** য়াওশঙ কুম্মৈগী মিংদা নাক্ক থেংবা হায়বসি শেল নীবা/খায়বা চৎপগী মচৎ/মওং অসি কয়ামুক য়াম্না কুইরবা মতমদগীনো হায়বসি অরেপ্পা হায়বা ঙমদে। অদুবু ঐখোয়না মীৎ হেক পাঙথোরকপা ঙখা মমিৎকা পাঙ্খক ওইরিঙৈ মতমদগী অদুম্মক লৈরগ্লে হায়বা য়াই। লমতা থাগী থানিলদগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি চূপ্না পাঙথোকপা য়াওশঙ কুম্মৈনি। মদুদসু পেন্দ-লাইচুবা হায়বদু ওইরমাল্লে তরুক্লি শুবা নুমিৎতা হলঙ্কার হায়বা পোম্থোই অমসু হাপচিল্লগা লন্বী অচৎ-অওক্তা ঈশিং হৈজিন্নবীনচিংবা খেরাং থাংবগী মথোঙ হুক্ত্রবা মতৌ অমসু কন্না চত্থরকখ্রবনি। হৈথনরিবদুনা অচম্বা ঈশিং ওইরবদি খরবু শাফরি হায়গে। কদাইদগীনো মফম-মরাং খঙদবা লৈখোম-লৈনাং, অমোৎ-অকায়গসু য়াওশিল্লকপদুদি লীচৈ মমাঙদা মনঙ্গন ফৌরামুক পাকপশিংদু থেন্দুনা থম্লগা কন্থবীরো হায়না ঙাইবগা চপ মান্নে হায়নীংই।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা অহল-লমন খরদি য়াওশঙ য়ৌগদবা থা অমরোম ৱাৎলিঙৈদগী মচাশিংবু মরু ওইনা নুপামচাশিংবু অথিংবা করিমত্তা পীদনা থাদোকপসু য়াওই। য়াওশঙগী পূঙ থোনবনি হায়দুনা থোনবা হৌনৈ। পূঙ থোনবা লোইরগা ৱাপন মতা ফবদগী ৱা য়ানবা, ই হৌবা ইঙ্খোলদগী ই নিরুবা, য়াল্লুবগী থবক্তা থৱায় হকচাং অনীমক লুপখিদুনা য়াওশঙ লোইদ্রি ফাওবদি লাইরিক-লাইশুগী ৱাখলগদুদি নৱা লৌদে হায়না খন্নখিবা মাল্লি। হৌজিক মতমদদি য়াওশঙ অমা শাবদু নোংমগী মশুং অমা ফাদনা লোইথোকপীবনি। অদুবু মতমদুদদি থা অমরোম মমাঙদগী য়াওশঙ মনিল কাবা হৌখ্রবনি। য়াওশঙগী শঙ অদু হেক শাখিবদগীদি ময়ূমদা তূম্বা শংদে। শঙ অদু শঙবগী মিংদা মপু তাক্তনা মীগী মপোৎ মরন লৌবগী ফাউন্দেশন কোর্সমক্তি হায়রবসু য়ারিবনি। কনাগী ইঙ্খোলদগী করম্বা মওংদা অফা-অপুন নংদবীদা লোন্না আলু খোৎলুসিগে, কনাগীদগী কোবী থেক্লুসিগে, শীং লৌরুসিগে হায়বসিগী হীরমদা কোক চূঙশিন্নবা, য়াওশঙ শারিবা মফমদা পূন্না য়ারেকপা হৌনবীনি। য়ূমদগী মা-মাগী চাক শরুক পুখম অদু থাংলকপা, আলু কোবী শাক চাবা ওন্থোকপা মতৌ অমনি। হৌজিক্কী মতমসিদা ওইরবদি হায়রিবা লোনচৎশিং অদু ইমুংগী অহল লমনশিং অমদি খুন্নাইনা য়ারবনি হায়বগী মওংদা মপু তাক্তনা মীগী মপোৎ-মরল লৌবা অমদি পুল্লপ-পুল্লপ পূনশিল্লগা ফৈরেং তুরেংনবা থবক্তা হৈনবী ওইনা চূশিনখিদুনা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াগী পূন্সি লন্বী লম্মাংনবসু য়াই। মতমদুদি য়াওশঙ কুম্মৈ লোইখ্রগা কাউথোক্লখিবনা অয়াম্বনি। মতমসিগী ওইনদি মদুগুম্বা থবক্তগী নাথৈখিবসি য়াম্না ফরবনি।

মচুগী কুম্মৈসি হৌবা নুমিত্তা য়াওশঙ অদু মৈ হেক থাখিবগা য়ূমথোঙ খুদিংদা কোয়চেন চেন্দুনা শেল নীবা চৎলি। ঐখোয়সুনি, মতমদো কাম্থোক্লগা লাকখিদে। নীরগা চাবগী হৈনবীদুনা থোপ মচাশিংদুদা মচু শঙজিনখি। শেল নীবা/খায়বা চৎনীংবনা খোঙ-খূৎ মরেং-মরেং চৎপীনি। পূক্লিং ৱাখলসে থা থোরকপা ঙাইবদা পৃক-পৃক পাখৎপজাৎনি। মরমদি লমতা থানিল মানা নোংপোক থংবা চীংদোল মরুমদগী হাইদোরক্ত্রিমখৈদি লাই কনানা হায়রবসু য়াওশঙদু মৈ থারুবা য়াবা নত্তে। মৈ থাদ্রিখৈদি শেল নীরু-খায়রুবদা পীবীনবা কনাসু লৈতে। অহল-লমনশিংনা হায়বীরম্বনি- ***তৌহৈদে, লাইনা শাউই।*** লাই শাউরগা খোয় অমখক পাঞ্জরিবসি ফোইদৎপীখিদ্রা হায়না অদুক্কী মতিক কিজখিবনি। নীরগা/খায়রগা চাবগী ৱাখল মচু শঙবদুদি থম্বু থমখো, হৌজিক্তদা চহী হুম্ফু হেল্লক্লবনরা খঙদে খম থেংনা নীংঙমদবা ফাওরকপসি। শেল দবল-ত্রিপল ক্বাদ্রুপল ফংননবা অঙাং ঙখা ঐখোয়না চীন থীবা ইরৌ-ইতাৎ তৌবদা ফে লাউখিদবদুনি। খুল্লঙ খূৎপা অমখক্তমক ওইবদুদা অনী/অহুম/মরি থোক্লগা মীনম চাবদু য়াওশঙনি হায়রসু হৈনবী ওইখিবসু য়াওরিবনি। মদুনা অঙাং ঐখোয় ইশাগী খুন্নাইগী লৈবাক্কী ওইনা মাঙজবা নত্তবরা? পুকচেল শেংদবা মচৎকী শৈহৌনি হায়বসু য়ারিপোৎনি। শীংথাবা য়াবা অমদি য়াওশঙ স্পোর্টসনা কুম্মৈ অসিদা খুন্নাই অসিগী নহা ইনখৎলক্লিবশিংবু অচুম্বা মায়কৈরোমদা পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসিদা শগোল কাংজৈমক য়াওহনবদা লুরপ থোক্লগসু খোঙ কাঙজৈ, মুক্কানচিংবা য়েলহৌ মশান্না খরা হাপচিল্লবদি থোইনা হেন্না মশক থোকপা য়াওশঙ স্পোর্টসকী থৌরম ওইগনি খল্লি। লৈকায় লৈকায়গী মৌ ময়ামগী থাবল চোঙবা কম্পিটিশনদগী হেন্না মরু ওইফম থোকই।

কুমসি চহীগী ওইনা নোংমা/নীনিখক্তমক ঙাইশিল্লক্লে য়াওশঙ হৌগদবা। ‘সুম খল্লুরগা পূক্লিংদা কৈনোমা ফাওরকই। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদো ঙমখৈ লৈতনা নুংশিরকই। হিন্দু লাইনীংগী অকনবা শাফুগা ইরোয়নরকখিবা য়াওশঙ কুম্মৈদা ঐখোয়গী ফোকলোরগী ফজরবা মশক ওইরিবা ***থাবল চোঙবা*** থৌরম হাপচিল্লম্বসিনা কুম্মৈ অসি অতোপ্পা মফমশিংদগী ঐখোয়গীনা তোপ-তোপ্পা মশক ওইরিবনি। ঐখোয়গী থাবল চোঙববু ইচম-চম্বনি হায়না লৌবা য়াবরা? অশিবা (সনামহী) না মালেম নোংখোঙ তরেৎলক কোয়খিবা মিথতা য়ূম্ফম ওইরগা হৌরকখিবা থাবল চোঙবীনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরল্লিবনি। গুরুগী য়াথং তুংইন্না মালেম নোংখোঙ কোয়রুরগা হল্লকপদা মনাউ অতোম্বা পাখঙবনা ফম্বালদা ফম্লম্বদা সনামহীনা শাউরদুনা পাখঙববু তান্নরকখি। মদুদা লাইনুরাশিংনা পাখঙববু কন্ননবগীদমক কোয়শিন্দুনা থমখিবা মতাংনি - ***কে ক্রেক কে মো মো/য়াংগেন শম্বা শ্যাও শ্যাও/তোকপগা কাম্বগা/কৈগা য়েনগা কাওনবা/কনানা ঙমগে য়েংসি/য়েংখোং ফত্তে চাশিল্লো/লাইগী য়েন্নি চাফদে।*** অসুম্না লৈঙাক্কী থৌশিল মখাদা হাইজিল্লকখিবা য়াওশঙ কুম্মৈদা ঐখোয়গী মিথকা শাগোন্নবা শৈরোল শৈথাদুনা থাবল চোংবনা য়াওশঙগী তোঙানবা মহাউ অমা পীরল্লি। ওল্লকপা মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না থাবল চোঙবগী শৈরোল শৈথাদসু অহোংবা লাকখ্রে। খরা থেঙথরকপা মতমগী থাবল শৈথানি - ***ঙসিনা লাইরেন নোংজাদা/য়াইফনা হেনবা নুমিত্তা/কুমগীনা মতম ওইবদা/শাবীনা শানৌ পূন্নমক/পন্থৌগী শূমাঙ মথৌবূঙ/লীক্লাংনা পরেং লেংবগুম/লেংলক্লেদো হো লেংলক্লে/খূৎকা খূৎকা খূৎশম্না/শাবীগী খূত্তা শানৌনা পায়/শানৌগী খূত্তা শাবীনা পায়/মপুগী কোলোই শক্লক্লে/...*** অসুম্না শৈথারম্বা শৈরোলশিংদু ঙসিদি মতমসিগী অনৌবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট কয়ানা মহুৎ শিনখ্রে। থাবল চোংবগী ফজবা শক্তম অমদি নুংলোনসু ময়েং খরা তাথরক্লবরা?

চহী অনী ফানীং-ফামাং তৌরক্লবা মূক্লবা ঈরাংসিনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদ্রিবা ফাওবদি য়াওশঙ স্পোর্টসখক নত্তনা থাবল চোঙবা ফাওবা লেপ্পবা ৱাফম থম্নরক্লি। ঙসি নোংমা নীনিগী মমাঙদা লৈকায়গী মৌ অমনা হংলকখি - ***ইন্দোমচা, হোলিদি থিংদবা মাল্লিকো লাইগী ওইবনিনা?*** মীকূপ খরদি ঐ খুম্ফম খঙদনা ঙকচানরপ তৌনা লৈখি। মমৈথংদা অসুম্না খুমখি - ***থাবল চোঙবা য়াদ্রদি হোলিসু য়াদবা তাবনি। থাবল চোঙবসু ঐখোয়গী লাইনিংথৌ সনামহী অমদি পাখঙবগা শাগোন্নরিবনি।!*** ●

# লমতা থা, লমতা থাংজ

- নবকুমার ওইনা -



খুম্থোক্লক্তুনা য়ূমশা-কয়শা হৌদোক্লগা অহানবা খুল্লিংবা মতমদা লন্বী লৈরম্বা নৎত্রি, খোঙলম ওইনা কোয়ফাও ফাওনরগা চৎনরম্মীবনি। হায়রিবসি ঙসিসু মফম খরদা অদুমক উরিবনি। লম অনী লৈ; লম লন্বী, লম লৈমায়। লমদা থোক্লক্তুনা খুন্দা লৈতাবসি লমতা থাদনা খ্বাইদগী খুদোংচাবা ওই, নোং ইতা তাদ্রে, মৈ থাবা নুংঙাইরে, লৈপাক তৌবা/পাম য়ানবা, লৌ তাবা হৌরে, মরূ-মরাং তারে/থারে, লমতা থা কৌরে। লাইনা তৌরম্বা নত্তে, ইপা-ইপুবু লাই ওইনা লৌবগী ৱাতনি। লৈহৌমীশিংগী ৱাখল লৌশিংগা মরী লৈনবা ৱানি। খুল হোংবা তারবসু লমতা থাদা চৎনবা উনরিবনি। পাম য়ানবা য়াবা মফমদা খুল ওইনসু হোংনরম্মীবনি।

য়াওশঙ হায়বসিনা মহৈ-মরোং হুনবদু য়ারেক্তুনা শঙবগী শঙ অমনি। মালেমগী দোর্মিটোরি ক্লব হায়বদুগী শক্তম অমনি। ঐখোয় খরতনা মালেমসিদগী তোঙান তারগা তৌরম্বা থৌওং নতে। মোইরাং থাংজিংগী লৌ-তাবগী থৌরম ঙসিসু চত্থরি, চীংগীসু লুই-ঙাই-নী থৌরম পাঙথোক্লি। কুম্মৈ ওন্থোক্লগা লাইথেৎ খরা হাপচিনবদগী নাৎকী শক্তম মাঙশিল্লকপা, করিনো খঙজিল্লক্তবা কয়া উরক্লিবনি। লাইনীংনা অমা চৎলি, নাৎনা অমদা ঙাওরি, লাইখায় তাবা থৌওংনি হায়বদি য়ারোইদৌরি। নাৎশিংসি করম্বা লাইনীংগী নাৎ ওইরিবনো খঙবা ঙমশিল্লক্ত্রে। নাৎ তোৎশিন্নবদি মহৌশানি, লাইনীং তোৎশিন্নবা অমসু য়াওশিল্লক্লি। মালেমসিদা লাইনীং পূন্নমক তোৎশিন্নবসি লমদম অসিদগী হৌগদৌরিব্রা? মদুমক ওইবা ঙল্লবদি অফবা খোঙথাং অমনি হায়গদৌরিবনি। লাইনীং অমা নমশিল্লগা/খোমজিল্লগা মাঙহনবসু মাল্লক্লি। পঙবগীসু লোইবা নাইদবা শাজৎ অমা লৈখৎলক্লিবা মাল্লক্লিবনি। চৎনবী ওইরক্লি।

লমতা থাংজগী শারোই খাঙবা হায়বসিনা লমতা থাগী থাংজ খুদিংদা শরোই-ঙারোইগী চাকথা পীবনি। হৌবদদি, থারিবা মহৈ-মরোংদু শা-উচেক, খৈরোই, য়োংনা শোক্তনবা থৈদোক্লগা মচীঞ্জাক থাবনি। চাকচা-হৈজানবদসু মিত্তা-খমদাবা থোক্তনবা চাক্লক অমা কথোক্লরিবনি, লাইগী থাদোকপা হায়নরিবনি। শাজৎ-লীচৎতা য়েক্লবদগী ঙাকথোক-শেংদোক্তুনা খুয়া-তুশিংনা হিংবা ঙম্নবা শাজৎ শেমগৎপনি, পাড়া অমা তন্বীরিবনি। অদুগাদি, কিহন-খংহনবা, মী নমথবা, ৱাখল শোন্থনবা ওইনা শীজিন্নদুনা লৈরি। হেঞ্জুনহাবু শারোই-ঙারোইনা ঙমহনবা হায়বসি পাঙদবা ওইনা উহল্লি, অপঙবা তাহল্লি। মপী-মপা লৈতবা, তন্বীবা ৱাৎপগী মমি তাহল্লি। মী পূন্নমক পঙশি-শিবগী মওংদা কিহল্লি। ঙসিনা শরোই খাঙবী ইমা-ইন্দোন খরদি লন্বী থৎলগা শেল খায়গৎলক্লি, মদুসু কিহল্লগনি। শরোই হায়বদুমক ওইখৎলক্লব্রা খলহল্লি। মসি ফাওবনা মপান্থোংদা উরিবা শক্তম খরনি। মদু নত্তবা লোক্তুনা লৈবা শাজৎ খরসু লৈরম্বা য়ারিবা ওইগনি। মশক উত্তবা মীওই খরনা হেঞ্জুনহা হাৎপা ওইবসু য়ারিবনি। নুপীদু পামজবা, মুন্নবা, লৌরি-শিংজা কাগী য়েক্লবা ওইবসু য়ারিবনি হায়বগী ৱানি। অফাওবা নুংশি-নুংওনগী ৱারীশিংগী পোলোইদা হেক-হেক থোকহনবা শাজৎ অমনি হায়না লৌবা য়ারিবনি। লৈঙাক্তসু মসি থোক্লিবনি; পাওনা শিখি, ইরাবত লৈবাক ৱাংমদা তাম্থোকখি, পুরেম্বা হাৎখি, থম্বালনু হাৎখ্রিবনি। ঙসিসু ময়াম থোক্লি, ঈ মশেল হাৎনরি, চীংয়াদা চঙলুবা অয়াম্বা শিরি। শরোই-ঙারোই লোয়নবা হৈতবা, চাকথা পীবা ঙমদবা, মোনোপোলিদু লানবা হায়বা তাবনি। লমতা থাংজ খুদিং শরোই খাঙবগী কান্নবা করিনো? হৈত্রবা, খঙদ্রবা ওইরবদি কান্নবনি হায়বা য়াখিগদ্রা?

মশামক্কী লৈঙাক হিংবা ঙল্লক্ত্রবদবু কদাইদগী ফোরেন পোলিসি লৈরি হায়গদৌরিবনো? করম্না ইন্টররিলেশন ফম্না লৈ হায়না লৌগদৌরিবনো? লাইনি হায়রগা পঙনীং নীংবনদি কান্নবা পুরকপা ঙমগদৌবা মাল্লক্তরে। লাইনীং হায়বসি ৱাখল লৌশিং হেনগৎনবা হোৎনবনি, ইপঙ পঙনা তুংইনবনা লাইনীং মপূং ফাগনি হায়বদি মতমগা চানদ্রে হায়গনি। চুম্না নীংলবদি ফগৎলকপসু য়ারি। লমতা থাদা ঔগ্রি চোঙবা হায়গনি। চুম্না নীংলবদি ফগৎলকপসু য়ারি। লমতা থাদা ঔগ্রি চোঙবা হায়বসি থাবলদা চোঙই হায়বগী থাবল চোঙবা হায়রি। মরমদি ইখঙ খঙদনা পঙচোঙ চোঙলগা নুপী-নহা, পাখঙ-লৈশা শকখঙ-মায়খঙনবা য়ানবা লন্বী ওইনা উনরে। চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা থাবল চোঙফমদা থাঙ, শীংজং, নোংমৈ কয়া পানরগা নহাশিং হাৎনরম্বগী ৱারী লৈরিবনি, শরোই-ঙারোই হায়বদুমক ওইরম্মীবনি হায়বা য়ারিবনি। খুন্নাইগী অথুপ্পা কাঙলোন অমদি ইকাও কাওনবগুম তৌরি। ঔগ্রি চোঙলবদি শারি লিৎপা য়াওরিবনি , থাবল চোঙবদদি মদু নীংশিংনদ্রে।

লমতা থাদা লাই নীংবদগী হৌরগা লৈবাক্কী থৌগায় কয়া মরু লুক্লা পাঙথোকপা ঙম্বা মীওই য়াওরক্ত্রবদি কদাইদগী লৈবাক ওইনা পানবা ঙল্লদগে? লমতা থাদি লৈহৌনি, লৈবাক অদুদি হল্লকখিগদ্রা হায়বদি কনানা খঙগদৌরি। মথং থাদা চহী হৌগদৌরিবা অদুনা কনাগীদমক্তনো? লৈবাক্তি লৈত্রে, করম্না চহী হৌরে হায়গদৌরিবনো? থাবল চোঙবা থিংলে হায়রিবসি য়েক্লবগী মীচং চঙবদুম মানগনি। মখোয়গী মায় পাকপা ওইনা খন্নখিগনি। হন্দক্তি থাংজ মঙানি, ঔগ্রি মঙারক চোঙলগা লাইনীং চেৎশিনহনববু য়ারিবনিদো। নহাশিংদা পাড়া তাকপা ওইনা ঔগ্রি তন্বীগদবনি, লম্পাক খুদিংদা নহা-অহল পুলহনবা ঙল্লবদি ঔগ্রি চোঙগদৌবনি। শারি লিৎকদবনি, শারি শোনবগী ৱারেপ লৌগদৌবনি। শরোই ঙারোই মশক খঙহনবা ঙমগনি। হকচিন্না খন্নগদৌবা অমগী খুদোংচাবা মাঙহনবা হায়বসি হূ পীথকপগা মান্নে হায়বসু লৈরিবনি। লান মনুংদি পোখাগদৌবা নত্তে, লাল্লোং হোংবা তাবনি, থবক্তি লেপকদৌবা নত্তে। খঙগদৌবা অমনা লান মনুংদা অৱাবা কয়া নীংশিংবা য়াদে, অচুম-অরান থিদুনা লৈথোকপা য়াদে খঙবা তাবনি। ভিস্মসু লান্দা শিখি, মহৈদি কোন্না লাক্কদৌবনি।

লাইনীংগী থৌরমশিংদা মোনার্কিজমগী হৈনবী য়াম্না য়াওরি। শেমদোক্তবা য়াদবনি, দেমোক্রেসি চৎলবনি, লূপ খরনা দিক্টেটর মানবা সনা য়াথং তাওথবসু চুমগদৌবা মান্দে। হাওরৈ খানা পাংবদা হোই-হোই লাউনা হোইথবা হায়রুবদগী য়ানদবা, পেন্নদবা কয়া য়াওনরক্লবনি, লমখৈগী য়েৎনরক্লবনি।

শরোই খাঙদবা খুলসু লৈ, খুম্থোং থিংবা চৎনরম্মীবনি। খঙদদুনা চঙলুবা মীদি লুখা থাখি হায়রিবনি। মাগী-মাগী খুল্লিংবা ঙম্নবা চৎনবী ওইরম্লিবনি। খুম্থোকপদসু য়েন-হিং থানৈ; শা-কৈ, লাইরেন্না চাত্রা য়েংনবনি। চাখ্রবদি অমুক হন্না য়েন-হিং থাগনি, চাদ্রবদি খুম্থোকপা য়ারে খঙনগনি। লাইগী ৱা ঙাক্তা নত্তে, অকোয়বা মায়কৈ মরি শুংদায় নিপান্দা য়েক্লবা লৈরিব্রা খঙবা তারকই হায়বনি। ইশম শম্না লাই হায়বদু লৈত্রবদি লমতা থাংজগী কান্নবদু করিবু ওইনা লৌগদৌরিবনো? নীংদ্রবা লাইবু কান্নরিব্রা?

চথোক-চৎশিন লন্বীদা মীঙোন্দা য়েৎপশিং অসিবু শরোই-ঙারোই হায়বগী ৱা ওইগনি। হিংবদা য়েৎপনি। ●

# আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ আই) গী লাল্লোং

- জোস চোংথাম -

লাল্লিবা চহী তরাসিদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ আই) না মালেমগী ওইনা লানগী মশক মওং য়াম্না চাউনা হোংহল্লক্লগনি। এ আই শীজিন্নদুনা ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎপা ঙম্বা লৈবাকশিংনা মথংগী চহী তরা-কুন অসিদা শেল-থুমদা, খূৎশু-খূৎলায়দা নমথবীবা ঙমদবমখৈ চাওখৎখিদুনা লৈপাক মীয়ামগী মাঙজিল থাদুনা চৎলকপগী ওইথোকপা য়াবা লৈ হায়বসি ঐখোয়না থাজফম থোকই। মসিগী এ আইগী খোঙজেল অসিদা চপ চাবা মফম অমা কনবা ঙমদ্রগদি মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা মনীং থাদুনা অতৈ লৈপাক্তা মীপান তাংদুনা লৈবা য়াই। হান্নগী চৎনরল্লিবা লাল্লোং অসি হৌজিক এ আইনা চলাইবা খূৎশু-খূৎলায়শিংনা শোক্লবা লানগা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ। হীরম অসিদা চাইনানা য়ু এসতগী চাওখৎপা অমদি অনৌবা পুথোকপগী লমজেল য়াম্না হেন্না য়াঙনা চেল্লি। করিমত্তা তৌদনা তূমিন্না লৈশিনবনা ইমাংদা তাদুনা লৈরিবা কয়া অসি মশানা চৎখিরোই।

হৌজিক-হৌজিক য়ুক্রেনদা শোক্লরিবা লান অসিদা এ আই শীজিন্নদুনা লান্দাবগী লাল্লোং কয়া উবা ফংই, শম্না হায়রবদা দ্রোনশিং, এ আইনা চলাইবা টার্গেট থিনবা খূৎলায়, অচৎ-অওক খঙদোক্লবা খূৎলায়শিং, য়াম্না চুম্না মফম অমদা পালহনবা ঙম্বা মিসাইলশিং। শেল হেন্দোক্লা থাদরগা লান চঙলকপা রুসিয়াবু অদুক্কী মতিক কন্না য়ুক্রেননা লান শোক্লবা ঙল্লিবসি অসিগুম্বা অনৌ-অনৌবা এ আইগী মতেং য়াওবা খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নবনা অচৌবা মরম অমা ওইরি। লান্দা শীজিন্নবদা কান্নবা এ আইশিং অসি হৌজিক হায়নরিবা অসিদি হৌরকপদা ঙাইরি হায়নরিবনি। পুথোক্তা ঙাইরিবা এ আইশিং অসিনা অসিগুম্বা য়াম্না খুমাঙ চাওশিনবা থবকশিং অসি তৌবা ঙম্বা তারগদি এ আইশিং অসিনা ফজনা মপূং মরৈ ফাররক্লগাদি করম্বা ফীভমদা লান শোক্লগনি হায়বসি খল্লুবদা লাম্বা ফংদে।

মী অমনা সেটিলাইটশিংনা পীরকপা দাটাশিং শুবা ঙম্বদগী এ আই অমনা শুবা হেন্না চুমগল্লি, থুই অমদি মতম চঙদনা লোইরকপা ঙম্মী। য়েক্লবগী লৈফম থিদোক্লবা থাজিনবা দ্রোন, Reconnaissance drone, satellite, মী য়াওদনা পাইবা পোৎশক, য়ু এ ভিশিংনা পীরক্লিবা দাটা ময়াম অদু শীজিন্নদুনা য়েক্লবা কদাইদা চৎলি, করি খূৎলায় পায়রম্বা য়াই, করম্বা মফমদা থোম্মগদি হেন্না য়েক্লবদা অমাঙ-অতা থোকহনগনি হায়বা খুদিংমক এ আইনা হোৎপা ঙম্মী। মশা মথন্তা পাইজবা ঙম্বা দ্রোন পরেং অমনা মমল য়াম্বা প্লেন মচা পুবা ঙম্বা প্লেন অমা থুগাইবা হায়বসি হৌজিক্তি অরাইবা ওইরে। এ আই শীজিন্নরগা কাপ্পল্লিবা দ্রোনশিং অদু মীনা থৈনবা হোৎনবদা য়াম্না অৱাবা ওইগল্লি। উদনা পাইরগা লান্দাবা চঙবা হায়বসিসু এ আই শীজিন্নরগা ঙাকথোক্লবা থল্লিবা খূৎলায় অদুসু লান্দুনা চঙবা ঙমদে।

হৌজিক হৌজিক এ আই অসি মীনা তৌবা তনবা থবক, হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌবা চঙবা থবকশিংদা অয়াম্বা শীজিন্নে। ৱারেং অমা ইবদা নৎত্রগা ইমেল অমা ইবদা এ আইগী মতেং য়াম্না চাউনা লৌনবা য়াওরে হৌজিক। পোৎচৈ শাফমদা মীগী মহুত্তা মীনা শাবা এ আই হাপ্পগা মেছিনশিংনা থবক শুবা কয়াসু য়াওরে। লম খরদদি গাড়ী ফাওবা মীগী মথৌ কয়া তাদনা এ আইনা থৌবা ঙম্বা য়াওরে। লানদা এ আই শীজিন্নবগী ৱাফমসি ঐখোয়না লৈবাক অসিদা খন্নবা কয়া ইতা তানদে, ফবা-ফত্তবা তোকখ্রগা। শেল তানবা এ আই কম্পনি কয়া এ আই অসি করমহায়না খ্বাইদগী শেল তানবা য়াবা মওংদা শীজিন্নগদগে হায়বসি কন্না থিনরি। হৌজিক্তি এ আইনা ইমেজ অমা থোকহল্লকপা, ৱাহৈ লেঙবা, সোফ্টৱেয়র শানবা কোদ ইবা, সাইন্সকী অরু-অরুবা ৱাহং কয়া খুন্নবা হোৎনবদা মতেং য়াম্না চাউনা পাংবা ঙম্মী। এ আইগী মরমদা থিজিন হুমজিনবা অসি লৈপাক লৈপাক্কী ওইনা অঙকপা ফংনা চাওথোরক্লি। এ আইগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ইনরিবা রিসর্চ পেপরশিং লেপ্পা লৈতনা পুথোক্লরক্লি। মসিগী খোঙথাং অসি লেপ্তুনা চঙশিল্লগদি খরা লৈরগা ইকুই কুইদবীদা অরুবা ৱারেপ লৌবদা, খুদম ওইনা লাল্লোংগী শরুক অমা ওইনা, এ আই শীজিন্নদ্রগদি ৱারেপ লৌবদা চিংনবা ফাওনরকপসু য়ানা লৈরি।

খুদম ওইনা ইকুই কুইদ্রিঙৈদো CICERO কৌবা এ আই অমদা শন্তাইনবগী মশান্না দিপ্লোমেসি কৌবা অমদা মী অমনা তৌগদবা ৱারেপশিং এ আই অদুনা মান্ননা লৌবা ঙমখি। মসিনা তাকপদি এ আইদুগা মী অমগা মান্নরক্কনি হায়বগী ৱা নত্তবী, মী অমনা ৱারেপ অমা লৌবদা চঙলিবা পোৎশকশিং, খন্থবা, তাঙ্গ য়াৎপা, ৱারী-ৱাতাই শানবা, মীঙোন্দা নমথাক তৌবা, হায়জিনবা, য়ানবা থেম্বা থবক কয়াসি মতৌ তম্বা ঙল্লকই হায়বনি। এ আই অসিনা চাওখৎখিদুনা এ আই শীজিন্নদবা য়েক্লবা অমগী মায়োক্তা লান চঙবদা পুরগদি মসিগী এ আই অসিনা থোকহনগদবা অমাঙ অতা ময়াম অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। য়াম্না কুইদনা লানগী লাল্লোং অসি খ্বাইদগী হেন্না ফবা এ আই পায়বা লৈবাক অদুনা মী মশীং হেনবা, শেল হেন্না থাদবা নৎত্রগা হান্নগী খূৎশু খূৎলায় পায়বা য়েক্লবা অমদগী য়াম্না শাথীনা মায়থীবা ঙম্বগী মতাং অদু য়ৌরক্কদৌরি। অমেরিকা লৈহৌবা নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈহৌবা হায়বসি মসিগী মরম অসিনা য়াম্না চাউনা ওইহনগনি।

কুমজা ২০১৭তা পুথোকখিবা এ আই চাওখৎ থৌরাংগী ফজনা ময়েক শেংনা থমখ্রে। মসিদা হান্না লৈরম্বা চৎনবী অমদি খূৎশু-খূৎলায় শাবগী লৈরম্বা কাঙলোনশিংনা অথিংবা অমত্তা পীদনা এ আই চাওখৎহন্নবা হোৎনবা য়াহল্লি। কুমজা ২০২০দা চাইনানা লানগীদমক শীজিন্নবা এ আই শেম্নবা হোৎনবদা $1.6 তগী $2.7 billion থাদখি। মতাং অদুদা য়ু এসনা $800 million দগীনা $1.2 billion খক্তমক এ আইগী খক শেল থাদখি। হীরম খরদা, শম্না হায়রবদা মী মশক খঙদোক্লবা লৈবা এ আই অমদি পোৎশক মশক খঙবা ঙম্বা এ আইগী লমজেলদদি হৌজিক হৌজিক চাইনানা য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লগা লৈ। ওপন এ আইগী জি পি টিগা মান্ননা শেল য়াম্না চঙদনা চাইনানা DeepSeek শাবা ঙমখ্রে।

মী হাৎনবা খূৎলায় শাবদা মী অমগী মীনুংশি হায়বসি খূৎলায়দুদা য়াওজদে। ঐখোয়না খন্নরিবসি মীনা কাপ্তুবা, মশানা ‘ৱাখল খল্লগা’ কাপচবা নোংমৈগী ৱারীনি। মী শোক্কনি-পানগনি হায়বগী ৱাখল অমত্তা য়াওরক্লোই। খ্বাইদগী মী য়াম্না হাৎপা ঙম্বকান্দা খূৎলায়দুগী খ্বাইদগী কান্নবা মশক অদু উবা ঙমগদৌরিবনি।

ঐখোয়না খ্বাইদগী মীপাইগদবদি মথংগী ঐখোয়না নংগদবা লান্দা এ আইনা থাদরকপা বোম নৎত্রগা , এ আইনা কাপ্পকপা নোংমৈ নংগদরা হায়বসিগী ৱাহংসিনি। এ আইগী চাওখৎ খোঙথাংদা কুপ্না য়েংশিনবা অমদি কদাইদা করি শোয়খিগদগে হায়বগী পান্নবা অমা য়াম্না মথৌ তাই। মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা, ঐখোয়গী লমদমদি পারুবা য়াদ্রে, ইন্দিয়াগী ওইনা কুপ্না চঙশিনবা অমা মথৌ তাই। খোঙথাং অমা শোয়বদা নৎত্রগা মীগী মায়োক্তা শীজিন্নরক্লগাদি মূত্থৎলুবা য়াদবা পোৎ অমা ওইবনা তাইনফম খঙদনা ঐখোয়গীদমক ওইনা য়াম্না অৱাবা নংগনি হায়না থাজে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১০৯গী ৱাহং

১) “অপংবা তাইবঙ মরুপতি ইপুরোইগী মমিনি মিংখৈরোনবু ফংবনা কুম্মৈ উজখিবনি।” ৱাহৈ পরেং অসি অরিবা মণিপুরী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

২) “অন্দ্রোগী মৈ” হায়বা ৱারেং অসি ময়াম্না শকখঙলবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারেং অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) “তমথীবা নিংথমথা অমা’ হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অসি কনানো?

৪) “থাবল ইপোম হৌরকঙৈ” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) “অশিবা তুরেল” হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম (মার্চ ১৪-১৮ ফাওবা য়াওশঙগী ছুটি ওইবনা) মার্চ ১৯, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।